

"অকোংবা জগৎকী নুংদা চেল্লিবা অখুপ্পা
মশক তাকপবু দর্শন কৌই। দর্শন হৈবু
ঋষি কৌই, ঋষি গুণ চেন্দ্রবদি কবি নত্তে।"

- মীনকেতন

## মহাক্কা লোয়ননা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঐগী পূক্নিং ৱাখলদগী থোরকপা
ইনখৎলকপা যৌবনগী ঈথক-ঈরৈ অসিগা
মহৌশাগী নীংথিজরবা উপাল-ৱাপাল
হৈপাল-লৈপালশিং অসিগা
অমত্তা ওইনা তিন্নখিদুনা
পূক্নিং ৱাখল অসে
হায়ফম খঙদ্রবা ঈপাক অমদা
ইরাক্লদুনা লৈখ্রে।

মহাক্কী মীৎয়েং, ৱাঙাঙ
মহাক্কী মীনোক পূম্নমক
অমত্তা ওইখিদুনা
ঐবু ইঙাও ঙাওহল্লে।

কাউথোক্লুরবা মহাক অদো
অনৌবা ঈচেল অমনা
অমুক পুরদুনা লাক্লে।

হোংলক্লিবা মহৌশাগী
নীংথিরবা মাগী মশক
হৈপাল লৈপালশিং
অনৌবা য়েন্নীং, অনৌবা লৈশাৎ তল্লকপা
উরুবা খুদিং মীৎফম হোংবা ঙমখিদ্রে।

লেঙদনা লৈরবদা ইনাক্তা
হৌখ্রবশিং অদুবু নীংশিংদুনা
মহাক-ঐহাক অহানবা
থেংনখিবা অদো
ঙরাং নহালতা ওইরবোই খন্না
লোংনা হীপ্লদুনা ঐনা খনখি।

নাশোল পীক্লা ইনাক্তা
শাহুম অমত্তা ফংদবা মখৈ
ফিজিনা হাইফেৎ থেংলম্বা
মোমোন নোকপা মায়থোং
লুরুক্লনা লোৎনা য়েংলকখিবা
উরুবা ঐগী থম্মোয়নুংদা
নীংশিং চৈনা ওইদুনা লৈহৌরে।

## গুলমোহোর পান্বী

—মোইরাংথেম নিলকুমারী

গুলমোহোর মখোঙদা ঙাইরম্মু, অনৌবনি
হায়নরমই, মতম অমা
নখোয় থোঙ্গালগী চিনিচম্প্রা মখোঙ কোচি পানবী
নখোয় থোঙ্গালগী চিগোংলৈ মখোঙ তিঙ্খং পানবী
নখোয় কোম্বোংগী উরিরৈ মখোঙ লৈনম চাউবী
অঙৌবা মচুগী কবোকলৈ,

স্থল্লা কমলা লৈকং থম্বাল লৈয়াই লৈনা য়ামই;
হংনখি-হায়নখি
শাৎহৌবরা তুলসিবোংগী অঙৌবা লৈনম চেনবী মালিকা
শঙ্গোয় নাকলগী অঙ্গোৎ পান্বী,
পুখ্রি মপাল তখেল্লে-লাইশঙ মপাল সনারৈ

শুমাং মতোল অপ্রাজিতা- ৱারক উরক্কী কুন্দোলৈ লমলক্কী
অখাং কনবী লৈতঙ্গাইগী মুরৈ ৱাওথাংনবী লৈপাকলৈ
লৈশক্লা অৱা নুংঙাই কাউহনবী
মনানা লৈনা ওইদুনা লৈরাং লৈশাৎনরী মনালৈ।

পেক্রুকলৈ, চন্দ্রমুখি, কুন্দালৈ, নাগেশ্বর কদাইদা
লৈরিবরা শাৎলিবরা মরূ-মরা ফুকখ্রবরা
মহুৎ শিনখ্রবরা-দালিয়া হঙ্গামমপাল মচুগী লৈনম য়াওদে
লৈশাৎনরি লৈতেংনরি অঙাঙবা গুলমোহোর পান্বী।

কাউখ্রগনি মতম অমদা শিঙেল লৈরাং কয়া
অনৌবা মায়ওন্না লাকপদা
লৈতেংগীনি শেন্দানগীনি
নীংশিংবীরম্মু অরি অনৌ লংদাইদা!

## হো তেলঙ্গা

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

ঐগী নুংশিরবা হো তেলঙ্গা
পাইখোগবা কৈদৌগে নসা শাখপ তোয়না
হাঙল তাইবঙ অতিয়াসিদা
অৱা নুংঙাইগী নুংশিৎকী ঈপোমলকসিদা!

নুমিদাংৱাইগী মতমসু ওইদ্রি
কোরৌগী মৈশাসু ময়াই চমথদ্রি
ঙ্রাঙ্গ্রান্নরবা নোংজাবীনা নোংচুপ হারমদা
সনা মচু চাইরদ্রি।

কুমগী নোংজু লাকখিনি
শংবান্নরবা হানৌনা মালহৌরখিনি লৌবুক-লম্মাং
সনা মচুগী ফৌনা পোইনু লৌবুক তনৌহল্লখিনি
কল্লক্ত্রবরা মেরাগী থানিলদা লুপা মচুগী থাবল ফিঙৌ!

পাইখো পাইখো তেলঙ্গা
শিংনবা পূম্বা থাদোক্তুনা
য়েক্ল তিঙ্খংগী মাঙদা
মায়থীর লাম্মী ওইনা হনখিবা য়ারোই।

কাউরব্রনে হো তেলঙ্গা
পাইবু পাইখ্রবদি, অরোইবনি নঙগী খোঙচৎ
মায়গৈসু খঙলরোই
হলসু হল্লক্লরোই।

করিগী অদুক তহা-তহাবগে?
ৱারী লোইদ্রি ৱারীনখিগদবা নঙ-ঐ
পূক্নিং মাসু লৈরি
নাপ্প-চিক্লা পাউদম্নখিগদবা।

## ৱাখলসিনা

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

হংলরোই ৱাহং অমত্তসু নঙোন্দা
তানীংদ্রে নঙগী শেমজিন শাজিল্লবা পাউখুম।
কপ্পরোই অমুক নঙগীদমক
কংখ্রে পিরাংগী ইফুৎসু।
নীংশিংলরোই হৌখ্রবা ৱারীসু
কাউথোকপা তল্লগে ঙসিদি।

## শিঙেল নাগেশ্বর শৈথারোল

—ডা. শান্তিবলা শমুরাইলাৎপম

মরমনা লমলেন মতাইমা
লমলেন লোললোই য়ীয়াইবি
অমম নুঙলাইকোন লমনুংশি
তাঞ্জুল লৈহৌপোক্তা শাৎপি লৈ
শিঙেল লৈনা তাবনা
কোঙয়াং ৱানা মমানবা,
লৈরাং মাগী লৈওঙনা
লাইজ ঈরোলনুংদা পোল্লগা
ঈপাল লাংনা শাৎচরি
লৈরাং থরো মানবী লৈ।
শিঙেল মাগী লৈনমনা
তাইবঙ পূক্নিং খোল্লিবী
লোবি চীংমাই ঙান্নলৈ
চীংশাং নাপোম থুংনবা
শিঙেল লৈনম য়েন্নলৈ।

শিঙেল উথাউ পান্বীলৈ
লৈরাং নাগেশ্বর লৈনুংশি
শিঙেলনা মপাল ফরক্লে
লৈরাংনা লৈজা ফল্লক্লে।

## ৱাঙাঙলোই বাবু

—মরজিং এম

য়াইফবা ওইরক্লগনি
মীচম-মীয়াম নুংঙাইনি
হায়ফম খঙদনা পেল্লনি
চাওখৎপা শুংশোয় শোয়রোয়
অদোমগী মমল য়াল্লবা ভোট
ননাইগী মায় পাক্লবা খুদোল
শোখরবা খুন্নাই অসি
মতম কুইরে মমদুনা লৈরকপা
ভোট শুকশোয় শোয়দনা কাহনবীয়ু
অসুম্না হায়খি বাবুদুনা
কোন্না চে ময়োম অমমম পীবি
তল্লখি বাবু অসিগী ৱারী
পৎলবা লমদুগী অহল অদুনা
গ্যানেশ্বরীনা ভোট লেপ্পদা
তিল্লিবা মীদি মাগী ইমুং তাঙইদো
বাবুনা শুমখ্রবা মখোয়
কপ্পুনা নুংঙাইরে হায়বা তাবনি
নুংঙাইতে হায়বা ফত্তে
অদো ৱাঙাঙলোই বাবুদি মাঙখ্রে
ৱাঙাঙলোই বাবু কনানো কাউখ্রে।

## ৱাহং

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

ঙসিগী লমদমসিদা চৎনরিবা
চৎনবী কয়া অঙকপা ওই
ইকায়বা খঙদবনা লম লৌই
মদুগী চৎনবী লাকখ্রে
খোঙহাম্বশিংনা ইকায়বা খঙদ্রে
ঙসিদি অউবনা ইকায়নরে
মসিবু ওইবা য়াবা ৱারা
অঙকপা অমা নৎত্রা?

## চৎখ্রো ইনাক্তগী লাপ্পা

—লৈশাংথেম খেলেন্দ্রো

চৎখ্রো ইনাক্তগী লাপ্পা
নুংশি হৈতবা নহাক্তি
করিগী কাইহৌবীরল্লিবা।
থম্মোয় পান্দবী নহাক্লা
খাঙলগে নুংশি চৈনাসে
কাউরগে ইতোম্নতা
কনমল্লি নঙগী থম্মোয়
নঙসু থম্মোয় পাল্লল্লবদি
খঙলমগদবনি নুংশি মৈচাকসে
নঙগী নুংগী মীতমনি
উৎলরগনু অমুক হন্না
নঙগী শক্তমদু ঐঙোন্দা
হঞ্জিন-হঞ্জিন্না
তল্লমদ্রবা মপোকনি খল্লগে।
চৎলুকো নহাক্তি পন্থুং য়ৌনা
নুংশি চৈনা য়াওদনা
পীরবনি মিৎলুগী পিরাংসিনা
নুংশি বিদায়

## নোংমদি শোয়রোই

—রাজেন্দ্র সারুংবা

খজিক খজিক তাশিন্দুনা
ইরিবা ৱারেং শৈরেংসে
অমমমতা খুনগৎপা মণিগুম্বা
নোংমা নোংমগী থোকঅ-থোকঅবা
ৱাখলদা ফাওরকপা কয়াদো
খজিক খজিক ইশিনহৌবসিনা
মপূং ফারক্লবা য়ামশিল্লবা তুংদা
শোয়দনা ওইগনি মমল নাইদ্রবা
সনা লুপাদগী হেল্লবা লন-থুম
ওইগনি নোংমদি শোয়রোই
খুদক্কী ওইনা মমল হোংলবসু
কান্নফম চন্নফম খঙদ্রবসু
হয়েং নীংশিংলকপা থিরকপা
মতমদুদা খঙলক্কনি মাগী মগুণ
অশিংবা মমা মপানা
মচাশিংগীদমক্তা তুংবিরম্বা
লনগুম ঙসি ইরিবা ৱারেং শৈরেংসে
শোয়দনা ওইগনি নোংমদি
মমল নাইদ্রবা লনগী পুক্কে অমা।

# প্রধান রাজেনগী ৱায়েল

## (পুন্সিগী অমুক্তা নোক্ত্রিবা মীফাও নোকহনগনি খল্লিবা অইবা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | প্রধান রাজেনগী ৱায়েল |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল মসা ৱাংজিং |
| মমল | ঃ | ১৮০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**নোকপা** হায়বসি মীওইনা পোল্লবদা চঙদবা য়াদ্রবা, নুংদগী থোক্লকপা থমোয় ঈহুল অমনি। অদুবু লুরিবদি নোক্কে হেক্তা য়াদে, নোক্লোই হায়বসু ঙম্বা নত্তে। হেক্তা নোক্কনি, থিংবা ঙম্বা নত্তে। অদুবু ফিজিওলোজিষ্টশিংনদি মসি হকচাংদা য়াওরিবা মহী (humour) মখল ৪না শান্নবনি হায়রি। ঈ, লোক, বাইল হঙ্গামমপাল, বাইল অমুবা মরি অসিনা ওইহনবা ঙাক্তনি হায়রি। তন্থবা, নোক্নিংদবা, শাউগনবা, ৱাখল খনগনবা, মপূক্নিং নৌবা পূম্নমক মহী মরি অসিগী খল কায়বদগী থোকপা ঙাক্তনি হায়রি। অদুনা নোক্নিং ৱাবু হ্যুমরস (Humorous) ওইবা হায়না খঙনরে। মসিবু অমরোমদা কোমিক রিলিফ (Comic relief) হায়নসু খঙনৈ। মসিদি চিক চিক লাউবা খোরিরোলগী মচলশিংদা, ফিক্সন্দা, দ্রামাদা, নোভেলদা, ৱারীমচাদা নোক্নিংবা লমচৎ, ৱাঙাং অমদি ফিভম হাপচিল্লগা অপাবা, অয়েংবা মীবু নোকহন্নবা শীনবা মওংনি। কোমেদি হায়বা ৱাহৈসি গ্রীক্কী Komoidia হায়বা ৱাহৈ অমদগী লাকপনি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি হরাউ-তয়াম্বা পাম্বা কাঙবু অমনা শকপা ঈশৈ হায়বনি। মরুওইনা ঈশৈসি গ্রীক্কী Dionysus হায়বা লাইদুগী কুম্মৈদা শকই। সহর, খুঙ্গং অনীমক্তা পাম্না শক্লরম্বদগী ঙসিদি খুঙ্গংদা অয়াম্বা শক্লখ্রে। খুঙ্গংবু গ্রীক লোন্দা Komae কৌই। মমৈদদি Athens তগী সুম শন্দোকখিদুনা Sicily য়ৌখ্রে। লমদু য়ৌবদগী হান্না কুম্মৈ হরাউ পাম্না, জগোয় ঈশৈদা থৱায় লূপচবা ওইরম্বদগী কোমেদি হায়বসি মপাল মরা তানা চাওখৎলকখিবনি হায়রি। Sicily গী ঈপোম কুম্মৈদা ফাওবা আর্টিষ্ট অহুমদি Dinolochus, Phormus and Epicharmus নি। ঐখোয়গী চাউবা, বাবু, তোম্বী অদুমগুম্বনি। গ্রীক্কী ঈপোম আর্টিষ্ট অহুমদি Archilochus, Semonides অমদি Susarion পনবা য়াই।

ঐনা ৱাফম খরসি পঙ্গরম্বগী মরমদি ঐখোয়গী খোরিরোলদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙল্লবা নোক্নিংবা ৱা শান্নবা অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রগী অহানবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিনা পাব ফংবা অসিদনি। অইবা অসি নোক্নিংবা, করেম্নবা, নোক্লবা শৈরেং কয়া ইদুনা মাবু লৈবাক্লা য়েংনরিবনি। মাগী মখল অসিগী শৈরেং লাইরিক ৩ ফোঙখ্রবনি। রাজেনগী থম্মোয়গী তাজমহল (২০০৪) পারুবদা নোক্লোইদবা মী লৈতে। মাগী মমিংনা সিম্বল ওইরগা ইরকপা (১) রাজেনগী রাজেন, রাজেন, রাজেন (২) মোইরাংথেম রাজেন হায়বা অনীসিসু মিহুন অমতদা ইরকপা ঙাক্তনি। অদুবু পঙই ইবদি নত্তে, ফাগী পুবা শৈরেং ইবদা Wit য়াওদবা য়াদে, Message অমা পীবা ঙমদবা য়াদে হায়বদু খঙনা ইরকপনি। লৌবা য়াবা পাউজেল অমমম য়াওবা শৈরেং ঙাক্তনি। G. B. Shaw না হায়রম্বা অদুমক্নি। মানা হায়, "Every jest has some truth in it." অমুকসু William Shakespeare নসু হায়রম্মী, "Satire would be an argument for a week, laughter for a month and a good jest for ever." (As you Like it) অদুনা অইবা রাজেন্দ্রগুম্বগী খূৎই ঐখোয়না মীরাইবা য়াবা নত্তে। খূৎ থেক্তুনা পাবা য়ারি মখোয়গুম্বা মশীং। হেন্না নুংঙাইরিবনা অইবা রাজেন্দ্রনা ৱারীমচাদা খোঙদারকপা অসিনি। শৈরেংদা ফংবা মহাওদগী ৱারীমচাদা পীরিবা মহাওনা তাবা নত্তে। অদুম ফজরি, অদুম মগুণ মাঙদ্রি হায়নীংঙি। লাইরিক অসিদা ৱারীমচা ১৫ য়াওরি। অতৈ শুংপা হেক পারুদ্রবসু লাইরিক মমিং পুরিবা অসিমতং পাবদা অইবা অসিগী মতীং খঙলে। তোপ তোপ্পা মহাওনি পীরিবা। প্রধান রাজেনগী ৱায়েল মৈনা ঈশিংনা চামদুনা কোক্লরোই। তাইশিন্নবা য়াদ্রবা মতৈ-মনাওবু তাইশিন্নবা হোৎনবা য়াবা মখৈ হোৎনবদা ফেল ওইরবা পঞ্চায়ট মেম্বরশিং প্রধান রাজেনগী ৱা অমনা লোইবা তাখি। মতৈ-মনাওসু প্রধান্না তাবা রাই অদু য়াজগনি হায়রি। প্রধানগী দায়ীত্ব য়াম্না চাউরি। প্রধান রাজেন্না মথৌ মশক খঙনা, নিয়ম চুম্না ৱায়েল চথখি। সুপ্রিম কোর্টনা ঙল্লোইদবা ৱায়েলমক্নি। মচা অনীদু প্রধান্না য়োকপীরগে হায়রি, মরমদি মপানা য়োক্লবসু পোক্তবী মমানা য়োকপা তাবনি, মমানা পুরগা ময়ূম পাল্লবসু মপা পোক্তবা অমনা য়োক্লুবা তাবনি। মদু থোক্তনবা মচা মশু লৈজদবা প্রধান্না য়োকপনা ফরনি হায়বসি খৎনরিবা মতৈ-মনাওনা য়াখি হরাউনা। মথঙগী পোরমদি অপঙবা মতৈ-মনাওনা উবা ঙমদে। প্রধান্না হায়রি, মাদি পাখ্রানিনা মচা অনীদুগী হোৎনবা ৱাগনি, পৈশা লৈ, লৌ লৈ, চেঙ-চাক ৱাত্তে। অৱাৎপা অমতংদি নুপীনি। অঙাংগী য়েংনা নুপী অমা থিরুরে, পোক্তবীনা য়োক্কদৌরি। অদুনদি ৱা লোইনরবা খৎনরিবা অঙাং মমাদু ওইনা মানা লৌশিনবা তারে হায়বনি। মসি হায়ফম থোকপনি, য়ানদ্রবনিনা। মদুদা য়াদবসু য়ারোই, হান্না প্রধান্না হায়বদু য়াজরে হায়খ্রবনিনা। মসিনি প্রধান রাজেনগী ৱায়েল। অসুক ফজবা ৱায়েলদি মহাভারতকী খণ্ড ১৮দা ফংলোই, রমায়ন মখল অনীদসু ফংলোই। পীরিবা পাউতাক্লা নচা লৈরবা নখোয় খৎনগনু, কায়নগনু। ঙাইহাক শাউনরবসু তেথনৌ হায়রিবনি। ফজৈ হায়নীংঙি। প্লোট ফজনা শেম্মী।

অসুম্না প্লোট ফজনা শেম্বা অমসু য়াওরি, 'ফোঙদোকপা য়াদ্রবা ৱারী' কৌবা। মসিসু মশক মান্নবী নুপী অনী ওন্ননা, মমশুক্তা হিয়াংথাং বর খুরুমফমদা চেনখিবা উৎলি। নুপা অনীদু কনানো খঙনদনা গাড়ী লান্না কাখৎনখিবদগী ওন্ননা লৌনখিবা উৎলি। কাইনথংদা নুপা অনীদু সৎসঙ্গ তিন্নফমদা অহল ওইরকান্দা মরুপ ওইরকই। মাগী মাগী নুপী পুথোক্লরকপা মতমদা মাগী মাগী কোয়নখিবা নুপীশিংদু ওইরম্বদগী মিৎ মখৈ চাক্লরবসু হায়দোকপা য়াদ্রবা মরী ওইখি। হেক্তা ফজহল্লি, হেক্তা নোক্নিংঙি। অসুম্না 'লৈবাক অসি করিনো অমা তৌরেকো' হায়বা অসিমসু ফজনা ৱারী শেমগৎলকই। ঙা কিলো ৫ লৈবদা কিলো মখায় অমা ৱাৎলম্বদগী থিকাদার অমা নুপী ঙায়োনবীদুগী মাঙদা ৱাফংনরুবা উৎলি। মদুদা ফজরিবনা কিলো ফাবা ফাদবা য়েংশিনবা নহা অনীনা শাক্ষি ওইরবা অদুনি। নুপীদুনা মাগী ঙাসু শিংলগে থিকাদারদুনা থাবা মখোয় লৈরক্কী কোলাস অদুসু শিংহনবীয়ু হায়রকপদা নহা অনীদু উপাই লৈখিদে। ঙা কিলো ৱাৎলি হায়না লাকপা থিকাদারদু মশাগী লাংদা থুহনবা উৎলি। ঙসি ঙসিমক লৈবাকসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অনী ফজনা পুথোক্তুনা নৈনবা ঙম্বা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

অইবা রাজেন্দ্রগী চাংয়েং মায় পাকপা অমা ওইনা মচা ৱারকপদা মশাফাওবা শিদোকপা ঙম্বা অসিনি। ৱারী মচা 'ইচাশিং ভাব তানবা' হায়বসিগা, 'মচাগীদমক মোইরাংথেম রাজেন' কৌবা অসিগা অইবগী অরোইবা চাংয়েংনি। মসিদি য়ূম খুদিংদা থোক্লিবা মচানা মমা মপাবু মীরাইরকপা অসিগী পাউখুম অমতং পীবা ঙম্নবা হোৎনবা ৱারীমচাশিংনি। ওইথোকপা য়াই। অহানবগীদনা অহল ওইরবা মমা মপাদা হক তানবদি কনবা মতেং পাঙ্গনি খঙদ্রবা মচাশিংগী নূং চঙখ্রবা মথম্মোয় পেৎহনবা ঙমদ্রবদা মশা থৌরি য়ান্দুনা শিদোকপা উৎলি। অনীশুবদনা কেন্সরনা নারবদি বোম্বে তান্না লুপা লাক্ষ কয়া চঙনা লায়েংলুবগী কান্নবা লৈত্রে, ফনা য়েংলুরবসু শিগদবা লৈরবনিনা মচাশিংগী খন্দুনা হূ চাদুনা শিদোকপা উৎলি। অদুবু মপানা থৱায় কৎতুনা মচাশিংগীদমক হোৎনরবসু মচাশিং ভাব তারব্রা হায়বদুদি ঙসি ৱাহংদা লৈরি। অইবনা পাল্লি, ঙসিগী মীরোলবু অফবা মী অমা ওইহনবা। মসিদি অফবা খুদমনি।

অমুকসু মতমসিগী ভোট লেপ্পদা চঙলিবা শেলয়াম অসি মীয়াম্না ভাব তাদবদগী থোক্লিবনি উৎলিবা ৱারীমচা 'মোইরাংথেম রাজেনগী ৱার্ক প্রোগ্রাম' হায়বসি ফজৈ। লুপা ক্রোর অনীগা লাক্ষ ৩০ চঙনা জিলা পরিষদ মেম্বর কারকপা রাজেন্না চহী ৫দা মানা তৌগদবা ৱার্ক প্রোগ্রাম য়াৎলকপদা মীয়াম ৱা ঙাঙবা ঙম্নখিদবা উৎলি। অচুম্বনা ফাগী তৌবনি। পাউজেলনা থনবা ৱারীমচানি। ভোট অদুদা থাদখিবা পৈশা, লৈকায়, খুল লাউথোরকপদা খুম্বা ঙম্নখিদে। অদুনা চহী ৫দু মাগী পৈশা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না অয়াবা পীবিরম্মু হায়রকপদা তুমিন লৈনখিবা, ফজনা প্লোট, সিচুএসন শাগৎলি হায়নীংঙি। মীয়াম ভাব তাদ্রিমখৈ লৈবাক চাওখৎপা য়ারোই হায়বদুগী পাউজেলনি।

অহানবা ৱারীমচা 'মুক্লাদা মনঙ্গল লৈবাক তারকত্রিবা রাজেন' হায়বসি পাব য়াই। মসিদা মুক্লা হায়বা কলা অসি নাপল য়াদে হায়বদু উৎলি। মসিদা চঙলিবসি পাঙ্গলদা নত্তে লৌশিংসু য়াওই হায়বদু ফজনা উৎখ্রে। মীতৈ ঐখোয়গী ফজখ্রবা কলা অসি হৌজিক্কী মুক্লারোই খরনা নাপল কাদুনা ঐ মঙাইরে হায়না চথরকপসি অইবনা পামজদে। অদুনা মনঙ্গল লৈবাক তারকত্রিবা রাজেন করিসু লৈত্রবা ঈশৈ শকপা বিরেন্না লৌশিংনা থাধখি। বিরেনদি ঈশৈ চৎপনি অদুবু নোংমদি কর্ম্ম মফমদু অশিবা য়াওরমদুনা শোরাৎ য়ৈথোক্লমখি। অদুবু শোরাৎতগী ফংলক্লগা মীগী শিংগদবা লুপা লিশীং ২ অদু কমদৌনা ফংগনি থিরকপদা লাইবুং অমদা মুক্লা শান্নবা য়াওবা খুদিং লুপা লিশীং ২/২ পীগনি হায়বদুদা তুরবসু লুপাদু পাম্বদগী শান্নবা চঙলুবনি। অদুবু রাজেনগা পাবা তাখি। মদুদা মানা রাজেন্দা কন্না থাধবিনু ঐদি পৈশাগীদমক শান্নজবনি হায়জখি। রাজেন্নসু নুংশিদুনা তপ্পা থাধবিগে খন্না থৌওইদ্রিঙৈদা বিরেন্না শুপকোন কোনশিল্লগা থাধখিবগী ৱারীনি। ফজখ্রে হায়নীংই।

অরোইবদা, সহরদা তান্নবদা খুঙ্গংদগী কাখৎনরক্লবা মতমসিদা অইবনা খুঙ্গংগী কান্নবা, অফবা লৈরি হায়বদু উৎপা 'লমদো ওন্থোক্লা পামজখিদ্রবা' কৌবা ৱারীমচাসি শেমগৎলি। বন্দ থা ৩ তৌরবসু খুঙ্গংদি শিরোই, সহরদদি হিংবা ৱাগনি হায়বদু ফজনা উৎলি। অদুগা ইরোই লোইবা ৱারীমচা 'মোইরাংথেম রাজেন্না মাঙ থানা চৎখিবদা' অসিদা ঙসিমক শোরাৎতা, লুহোংবদা ভাবোক মাঙ থাব তান্নবগী ফজনা করেম্নবা উৎলি। অহল শাজনীংবা রাজেন ঙন্না চৎখি লাইরৈবাক্তা। অইবগী পামদবা মতৌশিং য়ারিমখৈ চুমথোক্লবা হোৎনরি।

ৱারীমচাগী কাঙলোন তাব-তাদবা ৱানা অমরোমদা থল্লগা অইবা রাজেন্দ্রগী ৱারীমচা ১৫ মক পাবদা নুংঙাই। মখা তাহন্নীংঙি।

# পুন্সি হায়বদু অসিরা

**মমা-মপানা** হায়না শিংনরগা মচা নুপা চীংলেনগীদমক লৌবা মৌনি নুংশিতোন। চীংলেন য়াম্না চমজবা, মীঙোন্দা কায়দবা, মমা-মপানা হায়বা ইনবা মচানি। য়ূম পানবা য়াবগী মতম য়ৌরক্লফাওবা মাগী খঙন-চান্নবা অমত্তা লৈজদে। কুইরবনি মমানা হায়রিবা খঙন-চান্নবা লৈরবদি পুশিল্লকউ হায়না। পূম্নমক চীংলেনগী মফমদা অরেম্বনি। মচানুপা চীংলেনগী য়ূম পানবগী মতম হেনখিবা তারে ৱাজবা মমা-মপানা মাগী নুপী অমা হায়ন-শিংনরুরে। ইমুং মনুং অনীনা য়ান্নদুনা অফবা নুমিৎ অমা য়েংদুনা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অপাম নুংশি হায়বদু পুন্সিদা অমুক্তসু তংদ্রিবা চীংলেন মৌ অনৌবী অদুদা মাগী থৱায় হকচাং পূম্নমক লুপখ্রে।

চীংলেন্না মপূক্নিংদা খঞ্জে - ঐগীদমক অৱা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্নগনি হায়না লাক্লবী অমবু ঐনা করিগী মীরাইফম থোকপগে। হুই-হৌদোংদসু লৈবু লৈমিন্নরবদি নুংশিরকপা মশানা তাবনি।

চীংলেন নুংশিতোনগী থৌগলদা অপেনবা হায়বদু ওইরম্মী। চীংলেন্না ওফিসতগী কুম্লকপা মতমদা মাগী মৌ অনৌবীদুনা ফজবা ফিরোল শেৎ চাদুনা য়াম্না কেনা মকোক খুমদুনা অশাবা চা গ্লাস অমগা চানবা খরগা মাগী কাদা পুশিল্লকপদু চীংলেন মাগী নুংশিতোনবু মফম মরাং খঙদনা পংনুংদা নুংশিখি। চীংলেনগী থৱায় হকচাং পূম্বা নুংশিতোনগী থৌগলনা পুনশিনখি। চীংলেন্না মাগী কাদা মৌ অনৌবী অদুগা ঙহাক ৱারী ৱাতাই শান্নজবা ফংবদু পুন্সিদা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মতাং ওইখি। মশক মতৌগী ৱা ঙাক নত্তনা, নুংশিতোন্দা মপূরোইবগী থৌগলদা পূক্নিং চঙবা, লমচৎ-শাজৎ ফজবা, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা ঈং-তপ্পা নুপী ওইবীগী গুণ খরদি য়াওরি। অদুনবু চীংলেন্না নুংশিতোনবু নুংশিজরিবনি।

ওফিসতা থবক তৌমিন্নবা নুপী কয়ানা লুহোংবা কুইদ্রিবা চীংলেনবু ফাগী জুগাই হেক হেক তৌবি। তা চীংলেনসে হন্দক মরক মওং অমা হোংখ্রে, নহানৱাইগা ইমান মান্নদ্রে। মশাগসে খংনান নানখৎলক্লি, ৱাখলগসে য়াম্না নুংঙাইখ্রমাল্লে, শক-চুগসে নোংমা নোংমগী ফজবা হেনগৎলক্লি।

য়েংঙোই, ঐখোয় ময়াম নোংমা মৌ অনৌবীগী খূৎ তংবা লাক্কনি। শেল খরদি তিংবা তারেদনা হা করি হায়বগে। ওফিসতা মখোয় ময়াম পূন্না ৱা-ৱা নোকমিন্নে।

খঙহৌদে, চীংলেন্না লুহোংখিবা চহী ২ হৌজিনখ্রে। মীওইবগী পুন্সি তম্বা ঙমদে। নুংঙাইনা মতম চূপ্পদা লৈয়ু য়াদে, অৱাবা কয়া অমসু লোয়নরকই। পুন্সি হায়বসি অৱা-নুংঙাই অনীগী শান্নফম ফম্বাক অমনি।

হৌজিক চীংলেনখোয় ইমুং মনুংদা অৱাবগী নুমিৎ থুংলবা হৌরে। লাইবক্তা তল্লমদবা হায়বদুনি, লুহোংলবা মতুং চহী ২ হায়রফাওবা চীংলেন মমিত্তা মচা অমা ফাওবা উবা ফংদ্রে। নুংঙাইতবা অসি চীংলেন্দা নত্তে, মাগী নুপী নুংশিতোন অমদি চীংলেনগী মমা-মপাসুনি। নুমিৎ চূপ্পা ইমুং মনুং অদু অৱাবা ৱাখল তৌদুনতা লৈখ্রে। মশু অমতং উজনীংবগী ৱাখলনা ঙাওরবা চীংলেন মমানা কনাগী মাইবা, মাইবী কয়া অমা তান্নদুনা অজা-পুজা কয়া তৌরম্মী। অদুবু করিমত্তা কান্নদে। খঙ-হৈরবা ডাক্তর কয়া অমা তান্নে, করিসু কান্নবা ফংদে। মীওইবগী লাইবক্তা তমখ্রবা অদু কনানা থিংবা ঙমগনি। মমৌনুপীনা মচা অমত্তা য়াওদ্রবদা চীংলেনগী মমানা অতোপ্পা নুপী অমা থিবা পাল্লে। নুংশিতোন্না নুংঙাইখিরোই খনবদগী চীংলেন মমানা লোন্না চীংলেনগীদমক মৌ থিবা হৌরক্লে। নুংশিতোন্না মাগী মনেমবোক্লা চৎলিবা শাজৎ-লিচৎ অদু খঙলম্মী। থিংলুবা য়াবা নত্তে। মসি মমা-মপা ওইবশিংগী তৌফম থোকপনি।

নীংবা কায়রবা ৱাখল কয়ানা নুংশিতোনবু কপহনবা হৌরক্লে। মফম মরাং ইখঙ খঙহৌদনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা শিৎচিনবা হৌরক্লে।

নোংমা নুংশিতোন্না মাগী নুপাদা হায় - ইবুংঙো ঐগী লাইবকসে নোংদম্বনা ওন্থোক্লা থিনা তল্লমখ্রমালে। য়ূম পানবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নরগা ইচা য়াওদবা হায়বসি পাপকী মশকনি, মসিদগী হেন্না লাইবক থীবা অমা লৈত্রে। ঐবু ৱারৌবিগনু, ঐ য়ূম অসি থাদোক্তুনা চৎনীংলে। মসিনা ঐখোয় অনীগী খ্বাইদগী ফবা লম্বেল ওইগনি। নুংশিতোনগী মমিৎতা অতৎ-অখম লৈতনা পিরাং শিন্থরক্লি।

মাগী মতৌ অদু উবদা চীংলেন খাঙফম খঙলমদে, মানা নুংশিতোনবু থেমজিল্লকই।

নুংশিতোন, ঐ নঙবু কায়নবা ঙল্লোই, ঐগী পুন্সিনা হিংলিমখৈ ঐ নঙবু থাদোকপা ঙল্লোই। খঙই, ইমা-ইপাসু নঙবু কৈদৌনুংদা য়ূম অসি থাদোক্তুনা চৎলু হায়রোই। মখোয়না নঙবু হেক পোকচবা মচা নিংঙোলগুম্না লুনা চান্না তৌরিবনি। অঙাং পোক্তে হায়দুনা ঐ নঙবু খায়নবা ঙল্লোই। চীংলেন অমসুং নুংশিতোন চেৎনা কোনশিন্নদুনা পেন্না কপমিন্নরম্মী।

মশু উনীংবগী ৱাখলনা ঙাওরবী চীংলেন মমানা মচানুপাগী নুপী অমা অমুক হায়না শিংনদুনা লৌরুরে।

ঈংনা চিক্লা পাল্লম্বা ইমুং অদু ওমদুনা চাকপা ৱামৈগী মতৌ ওইরক্লে। কল্লক খম্বন্নবগী লান শোক্লবা হৌরক্লি। অমনা ঈশিংনি, অমনা মৈনি, অমনা অমংবা নোংনি, অমনা নোংথাংনি।

নুংশিতোনগী পুন্সিদা করিবু নুংঙাইনীংঙাই লৈরি। মীগী চাক্লুক মুন্দুনা চাখিবা হায়বসে।

চীংলেন হী অনী তোংলুবগী দষা তারে। অমগী য়ানববু চৎকদ্রা, অমগীবু চৎকদ্রা কোকচাউবী কাবা হৌরক্লে। মমাঙঙৈগী চীংলেন নৎখিদ্রে, পুমওন ওনখ্রে। মশা নানখিদ্রে, মোমোন নোকখিদ্রে। ৱাখল লৈতাফম থিরকপদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা তাইনরক্লে। অয়াম্বা মতমদা য়ূমদা থেংনা হঞ্জিল্লক্লে। মাগী ৱাখলদদি মাগী নুপী অনীমক চপ মান্ননা খঞ্জবনি। ৱারৌ পুরৌ চাউবী নুপীগী থম্মোয়নিনা মখোয়গী থম্মোয়দদি ইপেন পেঞ্জদে।

ঈংনা-চিক্লা লৈজবা নুংশিতোন হৌজিক্তি মৈথক্তা ফম্বগা চপ মান্নরে। ৱাখল লৈতাফম খঙলক্ত্রে। মীগী মকাদা অমুক হন্না অয়েৎপা পীররোই খল্লক্লে।

নোংমা ইথা থাজদনা নুংশিতোন মাগী মপূরোইবগী য়ূম থাদোক্তুনা চৎখিরম্মী।

তম্বা ঙমদে, মীওইবগী পুন্সি। ঙসি ঈংনা চিক্লা নুংঙাইনা হিংলিবা পুন্সি অসি হয়েং করি থোক্লগদগে, কনানা হায়বা ঙমগনি।

—দিম্ভাজিৎ